"খরনা পোমশাৎনবা
হেক্কনি হায়বগী কিবনা
মরুমদা ঊনা পুংবা
য়েংক্তরি মুনা মুনা।"
- ডাক্তর কমল (মাধবী)

## সিবু কনাগী মরালনো?

**—য়েঙ্খোম তোম্বী দেবী**

উজাউ কয়া মৈতাল ওনখ্রে
নোংলিক কয়া নোংজাউ ওনখ্রে
জিরি-জিরি তারক্লে
ওরো ওরো চেন্থরে
সিবু লৈঙাক্তা তাইনগদ্রা?
উরা তৎলে ঙাকপা ঙমদ্রে
গ্রোং-গ্রোং নীংখাইরে
মায়কৈ-সলাই খঙদ্রে
ঈশিং-ঈপাক ওইখ্রে
সিবু লৈঙাক্লা ওইহনব্রা?
ঈপাক্তা থম্বাল শাৎলে
ঙাহোংলে চাবা পেল্লে
চেঙ য়েল্লে চাবা ওকলে
থাউ য়েল্লে কেন্দল লৈদ্রে
সিবু কনানা তৌরিবা?
রিলিফ কেম্পতা লৈবা নুংঙাই
অরৈ-অরৈবা চামীন্নৈ
মীপুম খুদিং নুংশিনরে
যুমদা হনবা হৈনগনি থাজদ্রে
সিবু করি দশানো?
করিগী উমং কোল্লিবা
করিগী মৈতাল য়োল্লিবা
নখোয়না তৌজবা কর্ম্মনি
মহৌশা লাইরেন্বীগী দন্দিনি
সিবু কনাগী মরালনো?

## য়েক্লন্নগে

**—এম নিলকুমারী দেবী**

য়েক্লন্নগে অশেংবা মচুগী টুরিনা
ফৌনাগী লৈতেং হাপ্লগে
চৎসি তুংথ-মাংথ নঙ-ঐ,
নোংথাংসু জগোয় শারক্লনি
হরাউ মীনোক্লরনি
খোঙলোয় ওইরনি তুংথ-মাংথ।

ঈপাকসু ইপোম ঈহৌনরি
চেন্থরি খান্বীনবা য়াওদনা
খুদোলনি নোংজু মাগী।

খুলং ঈশৈ শৈবানসি
অথোই অহেন ওইহৌসি
নুংঙাইবগী শান্নবুংনি ঙাওজবনি
কোক্তা কোকশেৎ, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ
লৌহোন জগোয় শারনি।

নাপদবু চিনসিরা-কোকশেত্তবু থেৎসিরা
ইরোইফম্লি তিনফা কাকফৈ-চিক্রীবীসু শান্নরি
মতম মাগী ঈরোলনুং
মায়খুম ফিরুক হায়দোকপরা?

লোক্লুংগী ঈচেলনা লোকচপ খায়না চেন্থরি
অৰাংবদগী অনেম্বদা ত্রোং-ত্রোং
থৌনা হাপ্পনি লোইনশিল্লোন মপাউনি
লেংশিনবনি লৈখল চানা।

কোক্তা য়েম্পাক তুপ্লিবা
ষণপোৎ শাজৈ পায়রিবা
খুৎতা লৌহোন পায়রিবা
য়েক্লগে অশংবা টুরিনা
অশংবা মনাগুম, অচৌবা উজাউগী
অশাংবা চীংশাং পরেং
খুৎশম্নবা মাল্লবা
য়েক্লগে অশংবা মচুগী টুরিনা।

## ঙমখৈ

**—কীর্ত্তিচান্দ লুৱাং**

শম্বল খাবীদ্রবা
ইমা, নঙগী ইখোল চাইগোইনুং
যূমথংনবশিংগী য়োৎপাক য়োৎলৈদা
খাঙবা ঙমদ্রদুনা কীন্থরক্লি
নঙগী লৈরাই
মুৎশিল্লক্লি নোংমা নোংমগী
নঙগী ঙমখৈগী লৈয়িসু
উনা উনা অসুম অসুম।

পাঙ্গনবনি হায়নবা
নঙগী নপারী নমোমশিং
মচীন্দতমক ঙাঙলি
লাউরি
মমিৎতমক য়েংদুনা লৈরি,
মখূৎতি তুংবুন্নদুনা লেপ্লি
লেঙদে খোঙফমদি অমতসু
নূংনা শাবা মিত্তমগুম।

কোকথক্তা মৈবুল পোল্লাং কোকথোংনরদুনা
কয়াম কুইনা খাঙখিনি ইমা
অখাঙকনবী ওইদুনা শন্দ্রেম্বীগুম,
কংখ্রবরনে নঙগী কংলাগী ইশায়ফু?
লেপখ্রবরনে নঙগী কৌব্রু চীংদোনগী
উন পুবা অঙ্গংবা নুংশিৎ;
মুথৎপা ঙন্নরোইদ্রনে লাম্মৈসে
মচী মচী খুদিং চাক্লিবা।

শাগৈগী ঈ মক্তনা
লাই শাননি, কাঙখদা চঙবা লিনগুম
কল্লক-কঞ্জাউবশিংগী থৌইনশিন্না
মচীন পেন্নরী, থরুমগী ৱাহৈনা।

কাউরবরা ইমা?
শাগৈ ওনখ্রবী নঙগী নচা নিঙোলশিংবু
মশানা য়াজখিদবী
নমদুনা মীরমদা থাজখ্রবীশিং
নীংথিরবী লমদম কিয়ামপোক, মোলচাম
তুশোল্লবী নঙগী নমফাল্লোংনা
হীক্না হীক্না তেংথারিবসে
তাদ্রবরনে ইমা নহাকপু
মপাম লমদম মণিপুরগী
মবুং মৌপ্পাশিংবু কৌরদুনা
কুমগী নিঙোল চাক্কৌবা লাকপা খুদিং
মিৎলু পিরাং শিন্থরিবসে!

হৌদোকপীরো কৈদৌবগে ইমা
তুমখুল তাল্লিবা নচাশিংবু
মৈরৌ হেনজিন্দ্রিঙৈ
অচাকপা মৈরীসিগী মৈশাদা।

## খঙনা খঙনা

**—ডা. শশীকুমার যুরেম্বম**

মহৌশাগী শক্তমসু হোংখ্রে,
খুৎশেমগী ফজবসু মাঙহনখ্রে
লৈকংলা ওলহল্লবা শক্তমসে,
করম্না শান্তি পুরক্কনি,
মীহাৎপনা খুল্লিংবা লমদমসিদা।

মীবু লল্লোনপোৎ ওন্থোক্লবা
শেঞ্জাউ পায়বগী চকসিদা
চরি তৎলবা নুপী অঙাংশিং
ঙাইনরি বল্লিগী হামেংগুম
শিগনি খঙনা চাক্লা।

নমাংসু লাং নতুংসু তেন
মায়কৈ খুদিং মৈহৌরে
চেন্দুনসু হিংলরোই করমনো
মীপুম খুদিং খঙনরে
মঙলান ওইরমদ্রে তাইবঙসে

অপীকপা ঈশিং মরীক্লা
ঈপাক শেম্বগুম শেন্নসিনে
পুল্লসি পুল্লসি অমুক্তং
অপূনবগী পাঙ্গল ফুদোক্লসি
পুরক্কনি অওনবা মতমদুদা।

## থবক্কী ৱাদি খঙদে

**—অথোকপম তোম্বা**

য়েংলি চৎলি মফম খুদিং
চীংসু চৎলি তমসু চৎলি
মফম খুদিং লেপ্পা লৈতা
পেন্নবা তাইবঙ মীওইনা
চৎপা যাবা চৎলি
অদুবু থবক্কী ৱাদি খঙদে।

য়েংউই য়েংবা যাবা কয়া
চীং তম লৌবুক লম্মাং
তুরেল কয়া করি ৱাৎপা
য়েংলি লোইনা করি শোয়বা
অদুবু থবক্কী ৱাদি খঙদে।

ঙাংলি শক্লি লেপ্পা লৈতনা
চীং তম অমত্তা ওইনা
পূক্লিংদা লৈবা ঙাঙবা যাবা
নুংশিবা ৱাহৈ তাবীনবা মীয়াম্না
তৌবতবু থবক্কী ৱাদি খঙদে।

ঙাঙবগা খূৎকা মান্নদ্রসু
লেপখিরোই ঙাঙখিনি, য়েংখিনি
য়েংবা কল্লগা থোক্লবা লাক্কনি
ঙাঙবা কল্লগা কান্নবা লাক্কনি
ৱাখলদি হোংলোই খনখিনি
থবক্কী ৱাদি খঙদে।

কায়নি কায়ফম থোকপা কায়নি
চেনা অমদা ইশিন্দুনা
থমনি চেবুল মনুংদা পুন্দুনা
খূৎ যাউদ্রসু তাবদি তাগনি
মীয়ামগী ৱাকৎ মীয়ামগী খোল্লাউ
তাগনি নাকোং শিংজা য়ৈরসু
তৌবতবু থবক্কী ৱাদি খঙদে।

## মবুক ফনরবা খুন্নাই

**—মেঘ কোলোম**

নুংথিল পোবোব অঙানবা
সনা সোরোক ময়ায়থক
খুন্নাই মীয়াম মিৎমাংদা
তৌনরি শগুন খূৎয়াইমক।
খাম্না থিংনবীদে কনানা
কিনৈ নোন্নৈ খুরুমনৈ
মতিক লৈর মচাশিংদো।
মৎপী মুনবী লাকপীখ্রবা
চাকথতুং ফিথুং মশরুক
কিথি কিরুম মানরি,
চোথ পাথ অরেমখাক
লেকচ চুপচরুনবা চুগুম
লংথ হুন্থবিরক্লি থেঙ্খাং
নকশিন খুঞ্জ ঙমদে শোঞ্জনবা;
নোক্তুনা খেদুনা পোংদুনা
মবুক ফরবা মৈত্রবাক্কী
খুন্নাই লিশীংগী থক্তা।

# থাবলগী চৈনা

## (পঞ্জাবী ৱারীমচাদা মমিং লৈরবা অইবা অমগী ৱারীমচাশিং)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | থাবলগী চৈনা |
| অইবা | ঃ | কর্তার সিং দুগ্গল |
| হন্দোকপা | ঃ | সুব্রাম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | সাহিত্য একাদেমী |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**পঞ্জাবী** ফিক্সন্দা তোমথিন ঙাল্লিবা অইবা অমতং পনবা তারবদি মদু কর্তার সিং দুগ্গলনি। কুমজা ১৯৬২ দা পঞ্জাব লৈঙাক্লা খ্বাইদগী ফবা অইবনি হায়না ইকায়খুম্নখ্রবা অইবনি। মানা শোক্লমদবা খোরিরোল মখল লৈবু লৈত্রে। মপূংদা ৱারী মচা ইবনি। মদুসু খ্বাইদগী য়াম্না ইরম্বা। অদুবু মাগী রেডিও-লীলা, অশাংবা ড্রামা, নোভেল, শৈরেং, ক্রিটিসিজমগী লাইরিক লোইনা মমিং চৎলি। মাগী খ্বাইদগী ফজবা ড্রামাদি 'Diva bujh gaya (The lamp is blown out) অসিনি হায়রি। মাগী খ্বাইদগী হৈনবা, পকচবা লমদি নুপীগী মনুং-মপালগী লমচৎ য়েকপনি। Libido, sex and nudity বু তগোক তগোক হেক্তা পুথোকপা ঙম্বা, Freudian phrases শিং শীজিন্নবদা হালেংবা লৈতবা অইবনি। লৈখা তারবী নুপীগী ৱারিফাও লেম্না খক মানা মাঙহন্দে। অদুনা মখোয়গীদমক নোভেল, Ik dil vikau hai (A heart for sale, 1957) অসি ইবিরম্মী। মাগী ইবগী লমখৈদি পঞ্জাবনি, শীজিন্নরিবা লোন্না Pothohari dialect নি হায়রি। মাদি Sadat Hassan Manto অমদি D. H. Lawrence কুম্না নুপীগী নুং ফাওনা থাগী খোঙকাপ লাকপগী, মীরোনবগী, অমুক্তা পন্নদবা মখোয়গী নুংগী ৱাফাও কোখোক্লগা ইবদা পাবা য়াহনবা অইবনি। মাগী লাইরিক্লি ঙসি ওজা সুব্রাম্না হন্দোক্তুনা ঐখোয়না পাবা ফংলিবা। কুমজা ১৯৬৫ দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংলবা ৱারীমচাগী লাইরিকনি Ik chhit chanan di (A sprinkling of light, 1963) অসি। মসিবু ওজা সুব্রাম্না বাংলা ত্রান্সলেসন্দগী হন্দোক্লকপনি।

ওজা সুব্রাম্না বাংলা ত্রান্সলেসন্দগী হন্দোক্লকপা ওইবনা A sprinkling of light হায়বসি 'থাবলগী চৈনা' হায়না থম্লি। ৱারীমচা ৩৯ য়াওরি। লোইনা তেল্লি, অদুবু ৱারীমচাগী মহাও অদু ফজনা পীরি। মসিনা দুগ্গলগী হৈ-শিংবনি। হেন্না নুংঙাইরিবনা ওজা সুব্রামগী মীতৈলোন তাবা অসিনি। ওন্থোক্লা চেকশিন্না হনখ্রে হায়নীংঙি। মাগী খূৎপুদি হান্ননা খঙখ্রবনি। হন্দক অমুক থেংনবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। ঐখোয়গী অফবা হন্দোকলোয় অমা মশীং হেনগৎলে হায়দবা ঙমদ্রে। ঐখোয়না পঞ্জাবী লোন্দু পারুবা ঙমদ্রবসু, বাংলা ত্রান্সলেসন অদু পাবা ফংদ্রবসু ঙসি মশানা ইবা হেক মান্না পুথোক্লক্তুনা পঞ্জাবী ৱারীমচা খরা মহাও তংহনবীবা অসিগীদমক ওজা সুব্রামবু থাগৎতবা ঙমদ্রে। লাইরিক মমিং ওইরিবা 'থাবলগী চৈনা' হায়বসিগী হেক অহৌবা পরেং অমা অনী য়েংবা য়াই। ওজানা অসুম্না ইরি, "মালিন অমসুং মিন্নী কনানসু মমা-মচানি হায়না খন্নদে। খ্বাইনা মখোয়নীসি মচিন-মনাওনি হায়না লৌনৈ। মিন্নীনা মমাদগী কাপমুক হেন্না ৱাংঙি।" কয়াদা ফজনা হৌখ্রবনো। 'কাপ' হায়বা মীতৈলোন ফজবা ৱাহৈনি। মতাং অমদসু করেম্নন্না হৌনা ঙাঙববু ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা ওজানা শীজিন্নরি ফজবা ৱাহৈ খরা, - "ঐনা ইখা শেগাইনা লাউনীংলকই" হায়না 'ওইথোক্তবা' হায়বা ৱারীমচাদা। অদুদা নত্তনা ইকায় শেঙ্গাই হাঙগদবা ৱাহৈবু হৈনা ফোঙদোকপসু থেংনরি। 'শাগৈনি' হায়বা ৱারীমচাদা লৈশাবীগী ফীভম থারকপদা ইরি, 'ফিদু অদুক পায়, মশাগী অকুৎ-অতোং লোইনা ফুদোকই।" হেক্তা পাবা য়াহল্লি। ময়ামসি পারুবদা পঞ্জাবী লোন্দা কমদৌনা লৈবনো য়েংনীংলকই। মদুমদি ওইথোক্ত্রে। অদুবু মীতৈলোন তানা হন্দোকই হায়বসি শোয়দ্রে। ওরিজিনেলগা করি করম খেন্নরমগবনো হায়বদুদি ওজানসু বাংলা ত্রান্সলেসন্দগী হন্দোকপা মরম্না খরদি মরৈলল্লগনি খল্লি। মদুদি হৌনবনি। লৈবা তাবনি। খরদং পাবা ফংলিবসি ফরবনি।

দুগ্গলগী খূৎইসু ফজৈ। তাঙনা থোকপা লম অমদা খূৎ থাবা অইবনি। Freud না হায়রম্বা মীওইবগী লমচৎ পূম্বা Sex instinct না পুবনি হায়বদু মহাক থাজৈ। অদুনা অহল ওইসনু, নহা ওইসনু, মৌ ওইসনু, লৈশাবী ওইসনু Libido হায়বদি Sex instinct অসি খক মুত্তে। নমশিন্দুনা থম্বগী ৱাদনি হায়বসি দুগ্গলনা হায়নবা হোৎনৈ। অদুনা 'থাবলগী চৈনা' ৱারীমচা অসি য়েক্লকই। মালিন হায়বী নুপীসি মৌনি, মীয়ায় চল্লবীনি। ফজবদি হন্থদ্রি। মসিবু অইবনা অসুম্না থাই, "হৌজিকসু শকফম ফীভম হোংদ্রি। কনাগুম্বা খরদি ঈপাক তরেৎ লান্দুনা মনাক্তা লাক্লিংলি মাগীদমক।" কয়াদা ফজনা থাখ্রবা, Transfered epithet হায়বা মওংদু শীজিন্নদুনা। মাগী মচানুপী মিন্নীগী ফজবা থাবদনা অইবনা অসুম্না হায়, - "লৈরক্কী লম্বীদা মিন্নী লাক্লি, নাসিক পাম্বীগুম ৱাংনা ঙৌবীদো। মমায় খুমজিন্দুনা মায়থোঙ লুরুক্লা। থেংলুবদা মকশিনখিগদৌবা মতাগুম্মী।" অইবা অমসুং হন্দাক্লোয় অনীগী হৈ-শিংবা উৎপা খূৎইনি হায়নীংঙি । প্লোট ফজৈ মাগী নুপানা মচানুপী মথঙগী হাপ্পাদা লুহোংগদবা অদুগী পোৎ লৈবা চৎখিবনি। শরতকী পুর্ণিমা নুমিৎনি। হল্লক্ত্রে। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মালিন কৌবী মৌ অসিনা মাগী মরুম্বা নুপাদুনা কয়ারক হায়বদা য়ারক্তুগা পুর্ণিমা থাবলগী চৈফুন্দা পূক্লিং লাংলিঙৈ অদু থোক্লদুনা হন্দক্তি কোম্থোং হাংলুরে নুপাদুনা থিল্লকপদা। অদুদগীদি মনাক নকপা লৌবুক্তা পুথদুনা থাবল ঈপোম লক্তুদা নুংঙাইমিন্নরুরে। মসিবু অইবনা ইরি, "চিনবান্দা চিনবান চহী কুন ঙাক্লকপা পল খঙহৌদনা নিঙখায়খ্রে। লৈগী লৈনাদা নোংলৈ নুংশিৎকী শাহুম য়ৈবদা কেনবগুম কেল্লক্লে।" ফজখ্রে হায়নীংঙি প্রমানসি। পোলোইদি কমদৌরে। লৈকায় উহৌবা য়াওরে, লৌপুনা লৌ নৈখায়রম্বগী শাউনা লাক্লে, খুজি অতেকপা অমা পুদুনা। মদু মচানুপী মিন্নীগীনি, মানা শিরুবনি চুম্না। অদুনা লৈকায়না মচানুপীদু ওক্তবীনি হায়বীরে। বর ময়ূম অদুনা লুহোংবা হায়দোক্লরে। ইকায়বা খাঙবা ঙমদ্রদুনা মচানুপী মিন্নী গুহাদা চোংথদুনা শিখ্রে। থাবলগী চৈনানা মমানা ফংহৌরে। ফজদে করম হায়নি।

ৱারীমচা ৩৯মক্কী পাউদম্বদি ঙল্লোইদৌরে। লোইনা ফজৈ, ঈথিন অমমম লোইনা পীবা ঙম্মী। তেনবসু লামায় ২ নৎত্রগা ৪ দগী হেন্দে। য়াম্না হৈনা ইবা খূৎইনি হায়নীংঙি। ৱারীমচা ময়ামদগী তোঙান্না তাবা, ওন্থোক্লা ফজবা অমা য়াওরি, 'শহরজাদ' কৌবা। মসিদি মীগী ৱারী নত্তে, শহরজাদ থোনবীবা শজি মচা অমগী ৱারিনি। অইবনা শা-ঙাসু Libido লৈ, মদু কনানসু থিংবা ঙল্লোই হায়বদু উৎনবা হোৎনৈ। নুংশিদুনা মাবু য়োকপীরকপদগী চাউরক্তুনা মশাদা ঈরাং লাকপগী শক্তম ফজনা উৎলি। নুংশিৎতগী মনম লৌই, শজি অমোমগী, জঙ্গল তান্না চেল্লুই, হূই ময়াম্না ঈহং-নাইহং শানা চিকপীদুনা জঙ্গল য়ৌবা ঙমদনা হল্লকই। মাদি লৈবা ঙমদে ঈরাংনা, অদুনা অমুকসু হেক্তা চেন্থোকখি। ঈ তানা হেক্তা হল্লকই। অদুনা উপাই লৈত্রবদা মিংশেল অচৌবা অমা লৈবদু য়েংলুবদা মমি উখি। মদু শজি অমোমনি খন্না চূপ্পী, লেকই। ঈরাং হৌই। অদুবু পেল্লক্লবা মতম অদুদা হূইগী য়াখুল ময়ামদুনা লেপ্পা ঙল্লক্তে, তুথখ্রে। অদুম মথ্বায় থাখ্রে। মীনুংশি পোকপা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

মসি নত্তবা অমসু য়াওরি। 'রাজকরনী' কৌবা ৱারীমচানি। মিং অসিমক কৌবা লৈশাবী অমগী ৱারীনি। চৌধুরী গোহনে শাহগী মমোমনি। অমতা পোকচবী । শক্তা চুদা ৱাত্তবী। অদুবু পাঠান লালহৌবশিংনা ফারে, পুখ্রে। মাদি হিদু মুসলমান চপ মান্ননা খঞ্জবীনি। অদুবু ফারিবা লালহৌবদুনা মাগী মতৌ, ঈং-তপ্পা, ফজবা অদুদা শোকপফাও ঙমখিদে। করি অমতা হায়জবা ঙমদনা তুমিন মফি লৌথোকপীরগা ফমহল্লিবা মাবু য়েংলগা লালহৌবদু ফনা ঈরাং হৌরক্লবসু থাদোক্তুনা চেনখি। ফজবা মীওইবগী নুংগী লান অমনি। মসিবু অইবনা অসুম্না শৈথারি। "শাহজাদ খান মকোক্তা ঈ হাইগৎলকই/...মপুক তপ্লম্বা তুরেলদু হৌজিক ঈথক ঈপোম কারক্লে...পৃথিবীসে মচেৎ মচেৎ তাবগুম্লে/মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, পুংশুপ শুপ্না অমতা ওইখ্রে / অতিয়া কিন্থদুনা তারকপগুম্লে / লেপ্পুনা লৈবা ঙল্লক্ত্রদুনা শাহজাদ চেনবা হৌগৎলক্লে।" ফজবা ৱাহৈগী লৈতেংনা দৃশ্যদু ফজনা ফোঙদোকই। মসিদগী হেন্না শাথীবা অমনা ভারত-পাকিস্থান খায়দোকপগী ৱারীদা যূম্ফম ওইবা অমসু য়াওরি।

লৈবাক অনী খায়দোকপগী তাঞ্জাদা পাকিস্থানী কয়ানা হিন্দু লৈশাবী কয়া ঈজৎ মাঙহনখিবগী লমন খুম্বা ওইনা মুসলমান লৈশাবী 'কুলসম' কৌবী অমা ফাদুনা থম্বগী ৱারীনি। নুপীমচা অদুনা কপ্তুনা হায়জৈ, "অদুম্না তৌগনু/ঐবু হান্না লুহোংঙু/ইখূৎ লোন্নদুনা হায়জরি- নহাক্লা ঐবু লুহোংলো।" ঈজৎ মাঙনীংদবদগী নুপীমচা অদুনা লুহোংদুনা ঈজৎ কনবীনবা হায়জবদু কান্নখিদে/ঈজৎ মাঙখি।" কয়াদা শাথীখ্রবা ফীভমনো। মতমদু।

লোইশিল্লকপদা লাইরিক অসিদা পঞ্জাবী লোন্দা ইবা ঈশৈ খরা থেংনৈ। ওজা সুব্রাম্না মদু অদুম থম্মি। মদুদংগা থিদুনা মণিপুরীদা থম্বীরম্লবদি কয়াদা ফজগবা খল্লকই।

# মীয়ামগী খোঙচৎ

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

*(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)*

**অহানবদা** ঐখোয়বু নোক্লরম্বশিং অদু ঐখোয়গী থৌনা অমদি হন্দবা উবদা ঐখোয়গী মতেং পাংবা থোরক্লে। পূক্লিংগী অহোংবা পুরকপা অসিনা ঐখোয়গী অচৌবা মায় পাকপনি। ঐখোয় কনামত্তগা খৎনবা চিন্দা-পাউদানবা কান্নদে, ঐখোয়গী পান্দমদি মীয়ামগী মীনুংশি ফংবনি, মখোয়গী ৱাখল্লোন হোংহনবনি। পান্দম অসি ফংবা নুমিৎতা ঐখোয় নীংখা তম্বা শোয়দনা ফংগনি।

থৌদোক্তুগী মতুং হুমনি শুবদা বীরবল সিংহদু মাগী কাদা চা থক্তুনা লৈরি, মাগী লোয়নবী মিথন বাইনা মচা অপীকপদু পল্লদুনা মাগী মমাঙদা লেপ্লরে।

বীলবলনা হায়রকই- মতমদুদা ঐ কৈদৌগদবনো খঙখিদে, তুংদনা দি এস পিদু লাক্লগা লেপশিল্লরে। মখোয়বু চৎপা য়াহল্লম্লবদি ঐ খুদোংথিবদা শোয়দনা তারমগনি। মিথন বাইনা মকোক নোল্লদুনা পাউখুম পীরকই- লিচৈনা ফুবদুদি নহাক্লা থিংবা ঙম্বনি, নঙগী থবকসিবু মরাল লৈতবশিংদা ফুবা অসিরা? নঙনা মখোয়বু খাম্বদি য়াবনি। অরানবা তৌবশিংদা লিচৈনা ফুবগী থবক পীরবদি নঙ য়াম্না নুংঙাইনিকো।

বীরবলনা শাউরংননা - "নঙনা খঙদি খঙদনা।"

মিথন বাই - "ঐ খঙইনে, নঙগী তুংদা দি এস পিদু লেপ্লরে, নঙনা খল্লমগনি ঐনা তৌবা ঙম্বা উৎহৌগদবসি ঙসি মঙাইরে, মতুংদদি তাঞ্জা ফংলরোই। খোঙচৎ চৎলিবা কাঙবুদ্দা জুগোৎ চাবা মী অমত্তা য়াওদেসিনিনে নখোয়না খল্লিসে? নঙবু মীনাই ওইনা থম্বা ঙম্বা মী কয়া য়াওরিবনি, নঙোন্দগী হেন্না লাইরিক হৈবা মী কয়াসু য়াওরিবনি, অদুবু নঙগী অপাম্বনা হেনমনখিবনা মখোয়বু শগোলনা নেৎহনবনিনে, কয়াদা থৌনা ফখ্রবনো।

বীরবলনা ইকায়খঙদবা খুনোক অমা নোক্লদুনা - 'অদুবু দি এস পিনদি ঐসু শক খঙখরেদনা। দারোগানা খল্লম্বদি মাগী পাউসি তাবদা মিথন বাইনা হরাউগনি অসিনি। পুকচেল চাউবা অমদি লৈবাক মচা তাবা হায়বসি চিনবাল থোংদদং হায়বা য়াই অদুবু ইশাগীদং খনবা হায়বসিদি থম্মোয়গী কাচিন্দা লোৎতুনা লৈবা পোৎনি। মিথন বাইগী মায়থোংদা হরাউবগী মমি অমত্তা তাদে, মাগী মপুরোইবগী ৱাহৈশিংনা মাগী থম্মোয় শোকখ্রে।

হায়রকই - শোয়দনা খঙলমগনি, লোয়ননা নহাক ফম থুনা কাবসু য়াই। অদুবু মরাল লৈজদ্রবশিংগী ঈদা লুপ্পগা ফমথোল কাবদু করি কান্নদোইনো নঙনা থবক ফজনা তৌবগী মনা নত্তে, লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবগী মমলনি। নঙনা থবক ফজনা তৌবগী মনাদি নঙনা কনাগুম্বা মীহাৎপা অমবু ফাবা ঙল্লবা, ইরাক্লরবা মী অমবু কনবা ঙল্লবা মতমদা শোয়দনা ফংগনি। খঙহৌদনা সিপাহি অমনা বেরেন্দা লেপ্লগা হায়রকই- হুজুর, চিঠি অমা পুজরক্লি। বীরবলনা চিঠিদু লৌরগা মনুং চঙলক্লগা হাংদোক্তুনা পারে, অদুগা টেবলদা থম্মী।

মিথননা হংলকই - 'ফমথোল কাররবরো?'

বীরবলনা শাউরংননা হায়রকই - নঙ ঐবু করেম্নরিবরা? ঙসিসু মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরি ঐগী দ্যুটি লৈ।'

মিথন - অস অদুদি নঙগীদি তাঞ্জা অফবা অমা ফংলেনে। নথৌ নিংথিনা পাঙথোক্লুরো, নঙগী দি এস পিদুসু শোয়দনা লাক্কনি। হন্দক্তি নঙ ইন্সপেক্টর ওইবা শোয়দে।

বীরবলনা মকোক হোৎলদুনা - নঙসি মরী-মখোঙ শম্নদবা ৱা ঙাক্তা ঙাঙইকো। ঐনা মফমদুদা তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরবদি ঐসি মতিক চাদবনি হায়না খল্লোইদরা, ঐগী মহুত্তা অতোপ্পা মী খনখিনি। ঐসি লালহৌবশিংগা মরী লৈনৈ হায়বিনি, মদুদা ঐ করি তৌনি। থবকমক লৌথোক্ত্রবসু মরম হংবদি শোয়দনা কৌখৎলক্কনি। ঐনা লৈরিবা মফমদুগী চৎন-লোনচৎ মতুং ইন্না থবক তৌবা তাবনি। ঐ অপঙবা মী নত্তে, মীনাইগী পুন্সিসি পামদেনে। হুইশেল খোঙবা মখোল তারকই, মপান্দা থোরক্তুনা হংবদা মীয়ামগী খোঙচৎ লাকপগী পাউ হায়রকই। খুদক্তা মফি শেৎচল্লে, কোকয়েৎ য়েৎলে, মখ্বাংদা পিষ্টোল হাপচিল্লে, হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা কন্সটেবলদুগা দবল মার্চ তৌদুনা চৎখ্রে।

মিনিট তরামঙারোমগী মতুংদা মীয়াম্না খোঙচৎ চৎলিবা মফমদু য়ৌরক্লে। মখোয়বু হেক উবদা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়ানা 'বন্দে মাটরম' হায়না পূন্না লাউরকই। অদুদগীদি তুমিন্না লৈখ্রে। নহানগী খোঙচৎতুগা ঙসিগী খোঙচৎসিগা কয়াদা খেন্নখ্রবা, মদুনা নীংতম লালহৌগী খোঙচৎনি, ঙসিনা লৈখিদ্রবা অথৌবগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎনি। নুমিৎ হুমনি চুপ্পা লাইহৌ হৌদুনা অনা মৈচাক খাঙদুনা লৈরল্লবা মতুংদা ঙসি মহাক লৈখিদ্রে। মানা ফমগী কল্লকপসু লৈখিদে, কনাদসু কোক নোনখিদে। মানা পামজরম্বা হায়ববু মাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু গঙ্গাদা ইরুজরবা মতুংদা ফুম্বীয়ু অদুগা মাগী মোংফমদা নীংতম্বগী ফিরাল য়ুংবীয়ু অসিনি। মা লৈতবগী পাউ তাবদা সহর পূম্বা নুংশুক নুংজানরে। তাবদা খংপ্রেক খংবা পাউ ওইরে, অদুদগীদি মাবু অমুক্তং য়েংহৌনবা লোয়না চেন্নরক্লে। কৈথেল কানদ্রে, দুকান পূম্বা থোঙ হাংনদ্রে, শগোল গাড়ী, রিক্সা অমত্তা উবা ফংদ্রে। উনা-উনা সহর পূম্বা মাগী অশিবা হকচাংগী মতুং ইল্লক্লে। চাওরাক্লা মী লাক্ষ অমা হেল্লমগনি, কপ্পদা মমিৎ ঙাংদবা মী অমত্তা য়াওদে।

বীরবল সিংহনা মাগী শগোল তোংবা কন্সটেবলশিংদু চাউরাক্লা গজ মঙা-মঙা লাপ্পা চৎনবা য়াথং পীরম্লগা মা মশাদি মনিংলোমদা লাক্লে। মমাং থংবা শরুক্তা গজ য়াংখৈমুক্তি নুপী ঙাক্তনি। দারোগানা মখোয়রোমদা য়েংলুবদা অহানবা পরেংদা মাগী লোয়নবী মিথন চৎলি, মানা অমুক্তং মঙোনলোমদা য়েংলকই অদুদগীদি মমায় লৈথোকখ্রে অদুবু মাগী শক্তমদুদি নুংঙাইতবা শাওনীংবা, ইকায়বা তুক্কচবগী মমি তারি। মদুদনি মানা মকোক্তগী মখোঙ ফাওবা তু খৎচুং চুংখ্রিবসে। মা মশাগী মিৎয়েংদা ইয়াং য়াংবা, অশোনবা, মমল য়াওদবা ওইনা উজরে। খঙহৌদনা নুপী মচা অমনা হায়রকই - দারোগা সাহেব, ঐখোয়বু চৈনা ফুবীগনুকো। নহাকপু উবদা কিবনা লোইরে।

অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই - অদোমগী ইনাও ওইরমাল্লেনে সিগী নুপাসিবু লমলোং মরি ফাংবদা ফুখিবদু।

মিথননা হায়রকই - মা মশাননিনে।

অদুদগীদি ময়াম পূন্না হায়রকই - এ অদোম ওইরে? অদোমবু খুরুমজরি। অদোমগী থৌজালদগী ঙসিদি অদোমগী লীচৈ চাবা ফংজগৌরি। বীরবলনা মিথন বাইদা মমিৎ পৈরপ য়েংই অদুবু ৱাদি অমত্তা ঙাঙদে। নুপী অমনা অমুক হায়রকই - ঐখোয়না মীতিন অমা পাঙথোক্লগা অদোমবু লৈ পরেং হুকচগে, তৌবা ঙম্বা থবকশিংদু শিংথাজগে। অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই - ওন্থোক্লসু ঙৌখ্রে, ঐদি অংগ্রেজ ওইরবোই নীংলুরে।

হনুবী অমনা মমিৎ মনা শুকতোক্তুনা হায়রকই - ঐগী ইচাগা ওইরম্লবদি মঙক লৈথেক্তুনা হাৎলমগনি।

নুপী মচা অমনা হায়রকই - ইমা, হুই ফাওবা মপূ মশক খঙই অদুবু অসিদি মীনিনে।

হনুবীদুনা শাওনা হায়রকই - পুক্কীদমক্তনিনে, পুক্কীদমক্তা।

ময়াম্না হনুবীদুবু খামজিল্লি, মদুদা মানা ইকায়রদুনা হায়রকই - ঐ কৈসু হায়দেদো। মশাগী ওইজবগীদমক্তা মমিৎ তাংবদি ফত্তে হায়বনি।

বীরবলদু মখা তানা তাবা ঙমদ্রে। শগোলদু মমায় লৈরগা মীয়ামগী মতুংদা লাকলে। নুপানা ইকায়বা পীরবদি শাওনীংবা ফাওই অদুবু নুপীনা ইকায়বা পীরকপদি নুংঙাইতবা ফাওই। মা নুপীশিংদুগা মায়োক্লনবা থৌনা য়াওদ্রে। মাগী মথক থোংবা ওফিসারশিংবু শাওনীংলকই। ঐবু হঞ্জিন হঞ্জিন অসিগুম্বা থবক্তা চৎহল্লিবসিবু করিগীনো? অতৈ ময়াম অমসু লৈরি, ঐসিনা উপায় লৈজদবা, অপঙ ওইরজাৎলা? মিথীনা ঐবু পাঙদবা অমদি চাওখৎতবনি হায়না খল্লম্লগনি। হৌজিক ঐবু ময়াম চঙদুনা হাৎলবসু মা ৱা অমত্তা ঙাঙলক্লরোই, মা হরাউবনবু লোইরনি। হৌজিকপু বীরবল সিংহগী নুপীদু মীয়ামগী খোঙচৎতা য়াওহৌই হায়না কনানো অমনা তম্লুরো, ঐ কমদৌবা তাবা? মা লোইনা খঙলিবনি খঙনা খঙনা তৌরিবনি, ঐঙোন্দা তাকপা ফাওবা তাক্লমদে। স্কুল, কোলেজগী মহৈরোয়শিং থবক শুবা কনাসু কনাগী খন্নদে, ময়ামসিনা ঐবু মুন্না মুন্না য়েংলি।

মীয়ামদু সহরগী মরুওইবা লম্বীশিং ফাওদুনা চৎলি। মায়কৈ অনীমক্তা লৈরিবা য়ূমশিংগী য়ূমথকশিংদা, উপাম্বীশিংদা তোংদুনা মী কয়ানা য়েংলি। ঙসিদি বীরবল সিংহনা মখোয়গী মায়থোংদা অনৌবা ৱাখলগী মমি তাবদু উরি। অহল, নহা, নুপীশিংগী ৱাখলদা অনৌবা থৌনা লাক্লি। মসি নীংতম্বগী লম্বীদা চৎপগী হরাউবনি। মখোয়না চৎলিবা খোঙচৎতুগী পান্দম খঙলে, লম্বী লম্মাংনরবগুম কোয়চৎ চৎত্রে, তোল্লবশিংগী মতৌগুম লু-লুকথদুনা কপত্রে। নীংতম্বগী সনা ফুদোংলবা চীংদোলদু তাম্না অহাংবা অতিয়াদা উরক্লে। মদু তাম্না লাকপদা মরক্তা লৈরম্বা চীং-পাৎ-তুরেল করিমত্তা খঙদে, মখোয়গী পান্দমদি চীংদোলদুনি।

পুং ১১ মুক তারকপগী অদুৱাইদা মীয়ামদু তুরেল মপাল য়ৌরে, অশিবা হকচাংদু থাংথরে অদুগা গঙ্গাদা ইরুজনবগীদমক পুরক্লে। মাগী ইং-তপ্লবা তাইফেৎ তাইরবা মরায়বক অদুদা চৈফমদু শেংনা উরি। ঈদু ফমজিনখিদুনা মুশিন মুরে। মকোক্কী অশাংবা মশমদু ঈনা চোৎখিবদগী পুনশিনখিদুনা লাই য়েকপগী তুরি মাল্লে। মী লিশীং কয়া অথৌবদুগী শক্তমদু অরোইবা ওইনা য়েংহৌনবগীদমক চঙশিন্নরক্লি। বীরবল সিংহ শগোল মথক্তগী মীয়ামগী মরক ফাওদুনা য়েংলকই। চৈফমদু মাসু উই, মা মথন্তা চৈজরকই, মা হকচাংদু য়েংবা ঙমদ্রে, মমায় লৈথোক্তুনা খাঙই। মাগী শক্তমবু অরোইবা ওইনা অমুক্তং উহৌনবগী, মাগী খুয়াগী উফুলবু মকোক্তা হাপ্পবগীদক মী লাক্ষ কয়া তিল্লরি অসিগুম্বা মীসিবু ঐনা ইকায়বা পীখিবা! কয়াদা নুংশি হৈতনা ফুখিবা মদুদা মথৌ পাঙথোকপগী ৱাখল য়াওখিদে, শুপ্পতংগী মশাগী ওইজবা তানবা, থৌনা ফবা উৎপা অমদি মথক থোংবা ওফিসারশিংবু হরাউহনবগী ৱাখলনি। মীৎ লিশীং কয়ানা মঙোন্দা শাওনা য়েংলি অদুবু মখোয়গা মায়োক্লবগী পাঙ্গল মঙোন্দা য়াওদ্রে। কন্সটেবল অমনা মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা মাবু থাগৎলরি - হুজুরগী খূৎসি ওন্থোক্লা চুমখ্রে। মী লোয়না কিনরবনি। বীরবলনা হৈনীংদনা হায়রকই - ঐ মসি থৌনা ফবনি খন্দে, লৈবাক মচা তাদবনি হায়না খল্লি।

কন্সটেবল - ওন্থোক্লা মথোং চাখিদ্রবা নুপানি।

বীরবলনা খরা শাওরপনা - তুমিন লৈয়ু! মথোং চাদবা হায়বসি কদায়বু কৌই হায়বদু নঙ খঙবরা? মথোং চাদবা হায়বদি হুরানবা, ডাকু, গুন্দা, মী হাৎপবুনি। লৈবাক্কীদমক থৱায় খুবাক্তা হাপ্পা মীবু মথোং চাদবা কৌবা য়াদে। ঐখোয়না মতেং পাঙগদবদা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবসি ঐখোয়গী লাইবক থিবনি। মসিদা নাপল তৌদুনা হরাউগদবা নত্তে। ইকায়নীংঙাইনি, কপনীংঙাইনি। ইরুজবা লোয়রদুনা মীয়ামদু মফমদুদগী খোঙ অমুক শাল্লক্লে।

হকচাংদু লৈরোন চনবা লোইরগা মীয়াম্না হন্নরকপা মতমদুদদি পুং ২ তারে। মিথন বাইদু নুপী ময়ামগা লোয়ননা ফনা লাপ্না লাক্লে অদুবু ক্বিন্স পার্ক য়ৌরকপদা খঙলেপ লেপ্পী। ময়ূম হন্নীংদ্রে। চৈফম নাইনা শোক্লবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু উরুবদগী মাগী হকচাংদু চোকথরে, খোঙ থাংনীংবা ফাওদ্রে। মপুরোইবগী মফমদা লৈরম্বা থাজবা মাঙখ্রে। মশাগী ওইজবতা খনবা মী অসিবু থাজবা ঙমদ্রে। ফনা কুইনা পার্ককী নাপী মথক্তা ফমদুনা খন্দুনা লৈরে, অদুবু মা কৈদৌসিগে হায়বদু লেপ্পা ঙমদ্রে। মপাম চৎপবুদি য়াই অদুবু থা অমা অনী লৈরগা অমুক হল্লক্কনি। মা কনাগীসু মখাদা লৈনীংদ্রে, ঐসিবু ইশাগী পুক থঞ্জনবা হোৎনবা ঙল্লরোইদরনে? মা অহানবদদি খুদোংথিবা কয়াগী মরমদা খল্লম্মী অদুবু পূম্নমক মায়োক্লবগী থৌনাদু মঙোন্দা লাক্লে।

খঙহৌদনা মানা ইব্রাহিম অলিগী অহল ওইরবী লুখ্রাবীদু খঙনীং নীংশিংলকই, মাগী কনাসু লৈতে হায়, মথন্তা ফমদুনা কপ্তুনা লৈরমগনি, থেমজিনবীনবা কনাসু লৈরম্মোই। মাগী ময়ূম তম্না লাক্লে, মফমদি মানা হান্ননা নুপীশিংদা হংহৌরবনি। মাগা করম্না উন্নগনি, করি হায়রুনি, করি হায়না থেমজিল্লুনি। মসি খন্না খন্না লাকপনা ইব্রাহিম অলীগী ময়ূম য়ৌরে। যূমদু গলী অমদা লৈ, লূ-নাল্লি অদুবু অৱাবগী মমিদি তারি। মিহুল তিং-তিং চোঙলদুনা চঙলকপদা বেরেন্দাদা থাবা কাংথোল অমদা অহলদু ফম্লি। মাগী মমাঙদা ফিজম শেৎপা নহা অমা মমিৎতা মপি শিন্থরদুনা হনুবীদুগা ৱারী শান্নরি। মিথননা নুপাদু উবদা খংপ্রেক খংই - বীরবল সিংহনি।

মানা শাওনা হংলকই- নঙ সিদা কৈদৌবা লাকইনো?

বীরবলনা হায়রকই - নঙনা লাকপদুমাইনা, ইরাল ঙাকপীনবা হায়জবা লাক্লিবনি। মিথনগী ঙৌরোক ঙৌবা মায়থোংদা তারিবা চাউথোকপা, হরাউবা অমদি নুংশিবগী লংলবা শক্তমদু শিংথাবা ঙল্লরোই। পুন্সিদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা শাওনীংবা পূম্বা কোকখরে। মা অৱাবা-নুংঙাইবা অমদি মায়াগী লিপুন্দগী নাম্থোরক্লে।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**

**—লৈমপোকপম বেদান্তী**